## চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ মশানা মশাবু থবক পীজদুনা শেম্ণোক লম্বী লৈহন্নবগী পান্দমদা নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা বিগ্যানিক ওইবা মওংদা চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাংথোক্কনি। ফাউন্দেসন অসিগী চেরোল অমনা হায়, ট্রেনিং অসিদা শোইনাইরবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি। মসিগীদমক ফোটো কোপি ২ গা লোয়নন্না মশা মশাগী বাইওদাটা পীবিরক্লবা খংহল্লি অমসুং অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮৪১৪৯৮০৯৭৭ দগী খংবা য়াগনি।

## মালি লৌনবা ইন্টর্ভিয়ু

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মালিগী ফম খরা লৌনবগীদমক এপ্লাইদ তৌখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী ইন্টর্ভিয়ু মথং থা মে ৯ থাংজ নুমিত্তা হায় কোর্ট কমপ্লেক্স মন্ত্রিপুখ্রিদা পাংথোক্লগনি। কেন্দিদেটশিংনা মখোয় মখোয়গী এদমিট কার্দ হায় কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রিদগী ওফিস অৱার মতমদা মে ৮ ফাওবগী মনুংদা লৌরবা য়াগনি হায়রি।

## গুরু পুজা পাংথোক্কনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তন আশ্রম কোংবা ধোবি লম্পাক্লা শীন্দুনা গুরু পুজাগী থৌরম লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় তাবা মতমদা কোংবা ধোবি লম্পাক ইম্ফাল ইষ্টতা পাংথোক্লগনি হায়রি। থৌরমদুদা মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ডাইরেক্টর ডাক্তর কে সুশিলা লৈমা, আশ্রমগী প্রসিদেন্ট এন দুরিচান্দ সিংহ অমসুং রামলাল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল ওইরম্বা এম নাগেশ্বর সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইগনি হায়রি।

## এন এন সি নুপী এক্টিভ মেম্বর ১ ফারে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো টিম অমনা নুপী পুলিস য়াওনা ক্যামগৈ পন অহনবী এরিয়াদা অচৎ–অওক চেক তৌবদা নাগা নেসনেল কাউন্সিল (এন এন সি)গী এক্টিভ মেম্বরনি হায়বা নুপী ১ ফারে। মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফারবা নুপী অদু থৌবাল মোইজিং খুমোক্তগী হৌজিক্লা তমেংলোংগী লমজিং খুলদা লৈবা এম দি অঙৌগী লোয়নবী মহেমবিলু এলাইজ অবুই (৪২) কৌই। মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ অতে চে চাং খরসু ফংলে। মখা তানা থিজিনবদা ইম্ফাল এরিয়াদা লৈবা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদগী এন এন সিগী ফন্দ খোমগৎপগী থবক তৌই হায়বা খংবা ঙম্লে। ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্না মহাক্কী মথক্তা কেস অমসু ফাইল তৌখ্রে।

## আইনগী কাখল

সনালৈবাক পাবিরিবশিংদা আইনগী লৌশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা চেফোঙ অসিদা "আইনগী কাখল" কৌবা কলম অমা হাংদোকচরে। কলম অসিদা সনালৈবাক পাবিরিবশিংনা হংবিরকপা আইনগা মরী লৈনবা ৱাহং পুন্নমক্কী পাউখুম এদভোকেট লৈশাংথেম ওকেন্দ্রোনা পীরগা নোংমাইজিং খুদিংগী ফোংদোকচগনি। সনালৈবাক পাবীরিবশিংনা আইনগা মরী লৈনবা হিরম খুদিংমক্কী ৱাহং সনালৈবাক ওফিস্তা থাবীরক্লবা নৎত্রগা এদভোকেটকী ই মেল loken69@rediffmail.com দা থাবিরক্লবা নীংশিংজরি।

*এডিটর, সনালৈবাক*

## খংহঙ্ঙবা

সনালৈবাক চেফোঙগা মরী লৈননা ৱাকৎ নৎত্রগা ফোংদোক্লিংবা ৱাফম পুন্নমক নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিদাং পুং ১০ ফাওবদা টেলিফোন নম্বর ৮১১৯৯১৯৫০১ দা খংহনবিরকপা য়াগনি। অইবা ওইনা পীনিংবা লৈরবসু হায়রিবা মতম অসিদা সনালৈবাক্কী ওফিস্তা পীশিনবিবা য়াগনি।

*মেনেজর, সনালৈবাক*

## বার্দ ফ্লুগী চেকশিন থৌরাং মখা তানা লৌখৎখিগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ ষ্টেট অসিদা বার্দ ফ্লুগী লায়না মখা তানা শন্দোরক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিগনি হায়না ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস দিপার্টমেন্টনা ফোংদোরক্লি।

পাউ অসিনা হায়, হৌজিক রেপিট রেস্পোন্স টিম ১২ না কোম্বিং, মেপিং, সর্ভিলেন্স অমসুং দিসইনফেক্সন অমদি সেনিটেসনগী থবক তোঙান তোঙানবা মফমদা পাক শন্না চত্থরি। আর আর টি সর্ভিলেন্স টিম মঙানা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খুরাই চিংঙাংবম লৈকায়, ন্যু চেক্কোন, হট্টা গোলাপটি, হৈরাঙ্গোইথোং, চীংঙামখা, চিংঙামথক, পিশুম, খুয়াথোং, অমদি ক্লাকৈথেলনচিংবা মফমশিংদা সর্ভিলেন্সকী থবক চত্থরি। কোম্বিংগী থবক্লা টিম অমখক্লা গ্রেস একাদেমিগী অকোয়বা মফমশিংদা চত্থখি। আর আর টিগী অতোপ্পা টিম ৬ না সেনিটাইজেসন অমদি দিসইনফেক্সনগী থবক আই সি এ আর কমপ্লেক্স, লাঙ্গোল চীং, তরুং খুল, রিমস কোলোনিনচিংবা মফমদা চত্থরি হায়নসু পাউ অসিনা ফোংদোরক্লি।

## নুমিৎ ৪ নি চত্থরকপা অরোগ্য মেলা লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ আইয়ুস দিপার্টমেন্ট অমসুং ভিজন ফাউন্দেসন মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম এস এফ দি এসতা নুমিৎ ৪ নি চত্থরকখিবা ষ্টেট অরোগ্য মেলা ২০১৫ ঙসি লোইশিনখ্রে। মেলা লোয়শিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুরগী সরকারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ডাক্তর সুরেস বাবুনা হায়, লম্ফেলদা শাবা লোইরবা ফমুং ৫০ লৈবা আইয়ুস হোস্পিটাল মথং থাদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরি। আইয়ুস হায়বা হেলথ ক্যার দেলিভরি সিষ্টেম অসি হৌজিক্তি মীয়াম্না পাম্নরক্লে। অদুনা সিষ্টেম অসি মীয়ামদা খংহন্নবা অসিগুম্বা মখলগী মেলা তোয়না পাংথোকপা তঙাই ফদে।

আইয়ুস দিপার্টমেন্টকী ডাইরেক্টর ডাক্তর কে লোকেন্দ্রোনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, নুমিৎ ৪ নি চত্থখিবা মেলা অসিদা মীওই লিশিং অমরোম্না লায়েংখি। অমদি লেম্না হিদাক লাংথক য়েম্থোকখি। মেলা মনুংদা শক্লাইরবা মীওইশিং য়াওবা সাইন্টিফিক সেসনসু পাংথোকখি। আইয়ুসকী মশা অমা ওইরিবা য়ুনানিগী ডাক্তর মণিপুরদা লৈত্রি। অদুবু তোঙানবা ডাইরেক্টোরেট অমা লৈরবনিনা হিরম অসিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপদা হেন্না খুদোংচারগনি।

ঙসি মেলা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা সি সি আই য়ু এম ন্যু দিল্লিগী দিপ্যুটি ডাইরেক্টর ডাক্তর জাকিরুদ্দিন (য়ুনানি) এন ই আই এ আর আই গুৱাহাটিগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ডাক্তর বি কে ভরালি, সি সি আর ৱাই এমগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ডাক্তর সুরেস বন্দরকর, সি সি আর এম ন্যু দিল্লিগী রিছার্স ওফিসার ডাক্তর রাজপাল অমদি হোমমগী জেনরেল সেক্রেটরি ডাক্টর ঐচ তেম্বসু ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

## এন এস এস টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ হয়েংদগী মে ২ ফাওবা মেঘলয়াগী খনাপরাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী কেম্পসতা পাংথোক্কদবা নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল ২০১৫ দা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী ভলন্টিয়ার ২২ না শাবা এন এস এস টিম ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

এন এস এস সেল এম য়ুগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডাক্তর সিঐচ ইবোহল সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, টিম অসিদা তোঙান তোঙানবা কলেজ অমসুং প্লস টু লেভেল ইন্সটিট্যুসনশিংদগী পুন্না ভলন্টিয়ার ২২ অমসুং প্রোগ্রাম ওফিসার ২ য়াওরি। নোর্থ ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিভেল অসিদা সিক্কিম য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট ৮ গী এন এস এস ভলন্টিয়ার ৩০০ রোম্না শরুক য়াগনি। মণিপুরগী টিম অসিদা নুপামচা ১০, নুপীমচা ১২ য়াওরি। মখোয়বু প্রোগ্রাম ওফিসার ২ না লমজিংলি। প্রোগ্রাম ওফিসার ২ অদুদি রামলাল পাল হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী টিঐচ তোম্বা সিংহ অমসুং কমখ্যা পেমতোন কলেজ হিয়াংথাংগী এস সোরোজিনি দেবীনি হায়রি।

## দেসামগী য়ুনিট কাউন্সিল অমসু হাংদোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট এম অঙম্বনা ময়ায় ফমদুনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ঙাইরাংবম, খুম্বোং অমসুং মোইদাংপোক্কী অকোয়বদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী অপুনবা মীফম পাংথোক্তুনা মহৈ–মশিং তম্বগী মতাংদা খন্ন–নৈনখ্রে।

দেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা প্রেমচান্দ তোংৱম্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মীফম অদুনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা দেসামগী ঙাইরাংবাম খুম্বোং, মোইদাংপোক য়ুনিট কাউন্সিল অমা নৌনা শেমখ্রে। নৌনা শেমখিবা য়ুনিট অসিগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি পোলেম বাস্কর প্রসিদেন্ট, নিংথৌখোংজম দিপক ভাইস প্রসিদেন্ট, টিঐচ জেমস সেক্রেটরি জেনরেল, এল অদিত্য এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল, এল লোইহিজিঙম্বা সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন, টিঐচ নরেস সেক্রেটরি ফাইনান্স, টিঐচ ইন্দ্রকুমার সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা, টিঐচ ললিৎ সেক্রেটরি এদুকেসন এন্দ একাদেমিক এফিয়ার্স, গুলু সেক্রেটরি সোসিয়েল ৱেলফেয়ার অমসুং টিঐচ জোন্সন সেক্রেটরি গেমস এন্দ স্পোর্টস নি হায়রি।

## চিলড্রেন থিয়েটর ৱার্কসোপ পাংথোক্কদৌরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ ফোরৱার্দ আর্টিষ্ট সেন্টর ইন–কেম্প (ফেস)না শীন্দুনা নুমিৎ ২০ নি চত্থগদবা ১১ শুবা চিলড্রেন থিয়েটর ৱার্কসোপ ২০১৫ মথং থা মে ১৫ দগী জুন ৪ ফাওবা ফেসকী রিহারসেল হোলদা পাংথোক্কদৌরি।

ফেসকী সেক্রেটরি আর কে খোগেন্দ্র সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ৱার্কসোপ অসিদা চহি ৮ দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা নুপীমচাশিং য়াওবা য়াগনি। ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মিৎয়েং মখাদা পাংথোক্কদবা চিলড্রেন থিয়েটর ৱার্কসোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা লমদা খং হৈরবা মীওই কয়া তাকপী তম্বীগনি। য়াওনিংবশিংনা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা ফেসকী সগোলবন্দ তেরা অমুদোন লৈরক্তা লৈবা ওফিস্তা লাক্তুনা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবনা মে ১২ নি। হান্না লাকপদা খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

## "সাইনস" ফহনবগী থাগৎচবা

শিংজমৈ চীংঙামখা য়াংলেম লৈকায়দা লৈবা পাবুং থিংনাম মঙ্গোলজাও মোবাইল নম্বর ৯৬১৫৩৩৫৮৬৯ না শেম্বা "শিদ হিদাক" হিদাক অমখক্তনা লাইথুং ১০৮ ফহনবা ঙম্বা সলাইরেল শিদবা পম্থৌনা তাকপিবা হিদাকসি থকপদগী ঐহাক মতম শাংনা য়াম্না ৱানা সাইনসনা শাথিনা নাদুনা লৈরম্বদু নপ ওরো ওরো তাবা, হাকথি খনবা, কোক চিক্কনবা, খনাও মরেং মরেং চৎপা, থবাক খেবসু ফখ্রে, হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। অঙকপনা থল্লবা হিদাক শেম্বীবা পাবুংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

SL/3166/28

থাগৎচরিবা– থোংনাওজম লোকেল (চহি ৩০)
উপোকপী ময়াই লৈকায়

## জেনিমসকী ষ্ট্রাইক অথুবদা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি – *সি পি আই*

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎতা লৈরিবা জে এন ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)গী হৌজিক চত্থরিবা স্ট্রাইক অসি খুদক্তা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়না সি পি আই ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা সরকারদা তকশিল্লি। অমরোমদা খুরাই কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা লম্বী কয়া খুদোংথিবা মওংদা লৈরিবসি মীয়ামগী য়েংলগা অথুবা মতমদা শেমজিনবিনবা সি পি আই খুরাই লোকেল কাউন্সিলনা সরকারদা তকশিল্লি।

সি পি আই ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী হন্দক্তা ফমখিবা মীফম্না জেনিমসকী হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক্কী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি। ষ্টেট সরকারনা চল্লাইবা অমত্তা ঙাইরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন অসিদা অনাবা কয়া লায়েংবা ফংহন্দবা হায়বসি মণিপুরগী ওইনা মাঙজবনি অমদি ওঝা, ডাক্তর, নর্স, কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংগী তাল্লিবা দাবীশিং অসি অচুম্বা ঙাক্তনি। মরম অদুনা জেনিমসকী থৌ পুরিবা চিফ মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা য়েংশিন্দুনা ইন্সটিট্যুসন অসিগী এম বি বি এস মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়ার মাঙদনবা অমদি অফবা হোস্পিটাল সার্ভিস মীয়ামদা ফংহন্নবা অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী থাক ৱাংখৎহন্নবগীদমক চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনবগী ৱারেপ লৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অসিগী এসিষ্টেন্ট দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এল প্রেমজিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মীফম অদুনা কেথোলিক সোসাইটিনা চল্লাইবা স্কুলশিংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি মতম পুম্বগী ওইনা লোইশিন্নবা অমদি ইং তপ্পা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা মথং চহিগী এদমিসন তৌবদা ও বি সি, এস টি অমসুং এস সিগী কোটা থম্নবসু তকশিল্লি। লোয়নন্না সি বি এস ইগী পরিক্ষা থাবা ফংহৌদ্রবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ মহৈরোয়শিংগী য়েংদুনা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিনা রিকমেন্দেসন তৌখিবশিং অদু খুদক্তা থবক্তা ওন্থোক্তুনা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়ার কল্লু হায়নসু তকশিনবগী ৱারেপ লৌখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা সি পি আই খুরাই লোকেল কাউন্সিলনা খুরাই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ফিভম চাদ্রবা লম্বীশিং অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা ৱার্ক্স মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে। লোকেল কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি টিঐচ ইনাওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পার্টিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর আর কে অমুম্নানা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙরাং ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডাক্তর কেঐচ রতনকুমারগা উনদুনা খুরাই কেন্দ্রগী ফিভম চাদ্রবা লম্বীথোং অথুবা মতমদা শেমজিনবিনবা তকশিনখিবনি।

ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা থাজবা কয়া পীরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, থা খরগী মমাংদগী খুরাই চাইথবী লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা থিংজিন্দুনা থল্লি লোয়নন্না লম্লোংদগী জেনিমস মপা ফাওবা, অয়াংপল্লি রোদ, অয়াংপল্লিদগী ইম্ফাল দুরদর্সন লম্বী, কোংবা তুরেল জেনিমস তাবা অমদি দি সি রোদ তাবা লম্বী হায়নিঙাই লৈতনা ফত্তবনা হোস্পিটালদা পুরকপা অনাবা কয়া য়াওনা মীয়াম্না অৱাবা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লরি। ইমা–ইবেল কয়ানসু লম্বী থিংবগী খোঙজং কয়া চংশিনখ্রে হায়বগী ৱাফম ৱার্ক্স মিনিষ্টরদা ময়েক শেংনা খংহনখি। মীয়ামগী ৱাকৎ তাবিদুনা অথুবা মতমদা ফিভম চাদ্রবা লম্বীশিং শেমজিনবীনবা মখা তানা তকশিল্লি। করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোক্ত্র বদি খোঙজং চংশিনগনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

## প্রাইভেট ট্যুসনগী কলচরনা মহৈ মশিংগী কাঙলোন্দা চৈথেং পীরি – *দেসাম*

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ হৌজিক মণিপুরদা পাক শন্না চত্থরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী প্রাইভেট ট্যুসন কলচর অসিনা লমদম অসিগী মহৈ মশিংগী কাঙলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। লোয়নন্না শেম্মীৎলোন্দা শাথিনা অকায়বা পীবদা নত্তনা ফোর্মেল এদুকেসনগী তাকপী–তম্বিবগী লমদসু লৈখা তারক্লে হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোংদোরক্লি।

দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি তোংৱম প্রেমচান্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, প্রাইভেট ট্যুসন অসি তৌদবা য়াদবা অমগুম খন্নরিবা অসিগী নুংগী ওইবা হৌরকফম মসিনা এদুকেসন সিষ্টেমদা কায়হল্লক্লিবা অমদি ওইরিবা অরুবা ফিভম অসি খঙমিন্নরগা প্রাইভেট ট্যুসনগী ইহৌ অসি হম্থহন্নবা কোক চুংশিন্নবা তঙাই ফদ্রে। অমরোমদা মশিং থিঙমদনা লিংখৎলক্লিবা ট্যুসন সেন্টর, কোচিং সেন্টরনচিংবগী চপ চাবা চৎন–কাঙলোন লৈতবনা তৌনিংবতা তৌরি। মহৈরোয়শিংদগী লৌনিংবা ফি লৌরি। ওঝা অমদি মহৈরোয়গী রেসিও নিয়ম চুম্না ঙাক্তনা লৌনিংবা মহৈরোয় মশিং লৌশিল্লগা সাউন্দ সিষ্টেমগী পাম্বৈনা মহৈ মশিং তম্বগী চত্থদুনা লৈরি। অসিদসু নত্তনা এগজামিনেসন ফি হায়না অমুক খোমগৎপগী থবক চত্থরকপদা করিসু হায়নদ্রি। ওঝা খরদি মখোয়না তম্বিরিবা স্কুলদুমক্কী মহৈরোয় কয়া চহিগী অইবা চাংয়েংগী মার্ক মপুং ফানা পীগনি হায়না খোমজিল্লগা প্রাইভেট ট্যুসন চত্থবগী মওং অমসু লাক্লি।

ওইরক্লিবা ট্যুসনগী সিষ্টেম অসিদা মমা মপাশিংসু খোইরেন মশা পাইদুনা নোং ফুং ঙানবদগী নুমিদাং অথেংবা ফাওবা মচাশিং শঙদুনা ট্যুসন তৌহল্লি। মচা মশুশিংগী অনিংবা অপাম্বা খংদনা নৈনদনা পরিক্ষাদা মার্ক য়াম্না ফংনিবগী পোজিসন লৌহন্নিংবগী অমদি ডাক্তর ইঞ্জিনিয়ার ওইহন্নিংবগী ৱাখলদা ঙাওখিবনা কৈদৌনুংদা অফবা মহৈ মশিংগী কাঙলোন অমা পুরকপা ঙম্লোই হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, টিচিং লার্নিং প্রোসেস অসি চুন্নিৱা, মহৈরোয়শিংদা চপ চাবা টিচিং পীবা ঙম্লিৱা হায়বা ৱাহং কয়াসি খনবা মথৌ তারক্লি। মমা মপাশিংনা মচা মশুশিংবু নমদুনা প্রাইভেট ট্যুসন সিষ্টেম অসিদা পুশিনবগী মহুত্তা মহৈরোয়শিংনা তম্লিবা স্কুল এদুকেসন সিষ্টেম ফগৎহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎ মিন্নবনা অচুম্বা ওইগনি হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

বোসেম, কোহসেম, এস সি ই আর টিনা ফোংলিবা স্কুল এদুকেসন সিষ্টেমগী চৎনরিবা সিল্লেবস অমদি করিক্যুলম অসিগা হৌজিক তম্লিবা মহৈ খুতম অসিগা চানৱা চানদৱা হায়বদুসু য়েংবা দরকার ওই। য়ামদ্রবদা চহি অমদা নুমিৎ ১৮০ নি ক্লাস তৌগদবনি হায়রবসু মায়কৈ কয়াদগী পীরকপা য়ৈখাই থিনগাইবনা চহি অমদা নুমিৎ ১৩০ রোমতমক মহৈ মশিল তম্বা ফংলি। ফিভম অসিদা হৌজিক লৈরিবা সিল্লেবস অসিসু চুনবা মওংদা শেমদোকপা দরকার লৈ। প্রাইভেট অমদি গভর্নমেন্ট স্কুলদা ওঝা ওইরিবা খুদিংমকসু ষ্টেট সরকারনা চপ চাবা ট্রেনিংনচিংবা পীবগী তঙাই ফদবা লৈ।

পুন্নমক অসি য়েংলগা প্রাইভেট ট্যুসন তৌবগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অখং অহৈ ওঝাশিংনা মশাগী অপাম্বা অনিংবা অমদি সজেসন্নচিংবা নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা দেসামগী ই মেলদা পীবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

## এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চকী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম রবিচন্দ্র সিংহনা ময়ায় ফমদুনা এমসু হেদ ক্বার্টরদা ঙসি পাংথোকখিবা মীফম্না এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চকী ২০১৫–১৭গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী নেটৱার্কিং এন্দ কোওর্দিনেসন সেক্রেটরি ব্রোজেন লোংজমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ব্রাঞ্চ অসিগী অনৌবা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি হিজম রোসন সিংহ প্রসিদেন্ট, কোইজম সর্দা দেবী ভাইস প্রসিদেন্ট, য়েনশেম্বম অভিজিৎ সিংহ জেনরেল সেক্রেটরি, লাইশ্রম সুর্জকান্তা ফাইনান্স সেক্রেটরি, খাঙেম্বম রোহিৎ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি, হিদংময়ুম দিপারাজ শর্ম্মা কোওর্দিনেসন এন্দ নেটৱার্কিং সেক্রেটরি অমসুং ৱাহেংবম তেজবর্ত্তা ঐচ আর দি সেক্রেটরিনি।

মখা তানা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মখাদা ব্রাঞ্চ কয়া হাংদোকখিগনি। মসিদা মহৈরোয়শিংনা মতেং পাংবিয়ু, কোওপরেসন পীবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

## ওফিস ওইবা য়াবা বিল্ডিং পামজৈ

স্কোয়ার ফিট ৩০০০ রোম পাক চাউবা পার্কিংগী খুদোংচাবা লৈবা ওফিস ওইবা য়াবা টিদ্দিম রোডকী এয়ারপোর্ট ফাওবগী মনুংদা লৈবা বিল্ডিং অমা পামজৈ

Contact No. 9435110162
9856082473

### In the court of Sub Deputy Collector, Moirang

Ref: Mutation case No. 187/SDC/M/15

1. Laiphrakpam Mukesh Singh S/o (L) Mani Singh of Khudekpi
2. - do - Netra Singh S/o (L) Tomcha Singh of - do -
3. - do - Naba Singh S/o (L) Chaoba Singh of - do -
4. - do - Muhin Singh S/o - do -

--- Petitioners

-Vs-

S/o (L) Laiphrakpam Mani Singh S/o Chaoba Singh of Khudekpi

--- Pattadar

**NOTICE**

Moirang, the 24th April, 2015

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গা মরি লৈননা থোকপা নোটিশ অসিনা মরি লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি পাট্টা নং ৭৪৮ (অনৌবা)গী দাগ নং ২০৭৮ গী এরিয়া ২.৬৭ একর চাউবা ইংখোল খুল নং ৯১– ক্লাক্তাদা পাল্লম্বা পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। দংকারিশিংগী মিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট অমা থাররে। দরখাষ্টকারি নং (১) মুকেশকী শরুক ০.৪০ (২) নেত্রগী ০.৭৫ (৩) নবগী ০.৭৫ অমসুং (৪) মুহিনগী ০.৭৭ একর লমনি। কনাগুম্বা মিং ওনবগী থবক্তা য়ানিংদবা লৈরদি নোটিশ অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ (৭) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু দরখাষ্ট থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম তাগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Moirang

SL/3165/28

## প্রোব্লেম্না থল্লবা মণিপুর ওইহনগুমসি –*নুপীমরুপ*

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ বন্দ ব্লোকেদ, জেনরেল স্ট্রাইক, সিজ ৱার্ক স্ট্রাইক অমদি অতৈ মখল কয়াগী প্রোব্লেম খুদিংমক নোংমগী শুরগা নোন্নগা হিংজরিবা মীচম মীয়ামদা শাফু পীরিবনি হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক ৱায়েল থৌদা পুরিবশিংনা খংদুনা মতম চানা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবিয়ু। প্রোব্লেমনা থল্লবা মণিপুর ওইহনগুমসি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ্পা ফোংদোরক্লি।

নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফিভম অসি কিনিঙাইগী মশক ওইরে। ৱাথোক কয়ানা থল্লবা লমদম অসিদা হিরম অমত্তদা সরকারনা মতম চানা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লোয়শিন্নবা হোৎনবা ঙমদ্রি। মরক অসিদা ষ্টেট সরকারগী এমপ্লোয়িশিংনা ঙসিদগী পাক্তক্লনা নুমিৎ হুম্নি ছুটি লৌবগী খোঙজং চংশিনবা হৌখিবা অসিনা লৈঙাক ৱায়েল থৌদাদা চাওনা অপনবা পীগদৌরিবনি। অসিদসু নত্তনা শেম্মিৎলোন্দসু অচৌবা শাফু অমা পীগনি।

অমরোমদা মীওইবগী সেবা তৌরিবা নর্সশিংনা থবক লেপ্লগী খোঙজং চংশিল্লিবা অসিনা অনা লায়েংগী থবক্তা চাউনা অকায়বা পীরি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা কন্সটেবেল (নুপা) খরা লৌনবা ২০১৩ দা পাংথোকখিবা অইবা চাংয়েং পরিক্ষাগী ফল হৌজিক ফাওবা হায়দোকপীদে হায়না পেন্দবা ফোংদোক্তুনা ঙরাং অহিংদগী পুং ৪৮ গী বন্দ অমসুং চত্থরি। চীং লমদসু তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা খোঙজং কয়া অমা চত্থরি। ওইরক্লিবা কয়া অসি অফবাসরকার অমগী লিচৎ নত্তে। অদুনা অচৌবা ৱাথোক ওইদ্রিঙৈদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা ফৈ।

মীওইবনা হিংবগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনবনা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা রাইট টু লাইভ, রাইট টু ৱার্ক হায়বসিদা চাওনা শীংনগনি। মরম অদুনা সরকারনা মতম লেনবগী থবক খুৎতৌ নত্তবীদা চাউখৎপা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্কদবা মওংদা থবক চংশিনবিয়ু নৎত্রবদি ভিক্টিম ওইহৌরবশিং অদুনা ওন্ন–তৈনবা মায়কৈদা চৎখিদুনা হেন্না খুদোংথিবা খুন্নাই অমা ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে হায়নসু মখা তানা ফোংদোরক্লি।

## নেপালগী অৱাবা ফোংদুনা মৈরা কৎখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ নেপালদা থোকখিবা অকনবা য়ুহার হাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মীশি–মীনা অমদি অৱা অনা তাখ্রবশিংগীদমক অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোংদোকপা ওইনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালগী কংলা মনিং সনথোংগী মমাংদা মৈরা কৎখ্রে।

ইন্টর্নেস্নেল য়ুথ কম্মিটি, ক্লব ২৫ ইন্টর্নেস্নেল মণিপুর অমসুং য়ুথ দিজাষ্টর রেস্পোন্স টিম মণিপুরগী থৌমীশিংনা পুন্না শীন্দুনা চত্থখিবা থৌরম অদুগী মতাংদা ক্লব ২৫ ইন্টর্নেস্নেল মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে কর্নজিৎনা পাউমীশিংদা হায়, নেপালদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা অৱা অনা তারবশিংগী তেংবাংগীদমক দোনেসন কেম্পেইন অমা ঙসি চিফ সেক্রেটরিনা হৌদোকখ্রে। কেম্পেইন অসিদা শেৎনা–ইন্নবা ফিরোল, পৈশা, চান–থক্লবা পোৎলম অমদি হিদাক লাংথক্লচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাংৱীনবা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী ওইনা মীওই ৩০ না শাবা টিম অমা নেপালদা চত্তুনা ঈ দান তৌরুগনি অমদি মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়ারুগনি হায়নসু মহাক্লা ফোংদোকখি।

ঙসি মৈরা কৎখিবা অদুগা মরী লৈননা য়ুহার হাবদা লৈখিদ্রবশিংদা ইকায় খুম্নবা উত্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি হায়রি।

## অশিবা হকচাং অমা ফংলে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী তাবুং পুখ্রিদা পত্থ–পুমথরবা নুপা অমগী অশিবা হকচাং ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবা অদুৱাইদা ফংলে। পাউ অসিনা হায়, অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎলগা মশক মমিং খংদোক্লবা রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। মীওই অদু চহি ৪৫ রোমগী লেং ওইগনি। হিগোক মচুগী ট্রেক পেন অমা শেৎলি, অঙাংবা অমসুং অঙৌবনা লাংবা টি সার্ট অমা লিৎলি। মথক্তা ৱাওথাংনবা মচুগী জেকেট অমসু লিৎলি। অঙাংবা মচুগী শেন্দল অমা তোংই হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৮–৪–২০১৫)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হেন্না ফগৎপা, অরুবা খরা পাংথোকপা, লম চৎপা খুদোংচাবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। হোৎনবা অয়াম্বা অফবা ফল ফংলগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** শোকপা, পনবা, খৎনবা ৱা থোকপা, অচুম্বদা অরানবা তাবা মতম্নি। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। ইমুংদা মত খেন্নে। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** ৱাখল লাংবা, অমুক্তংদা পাংথোকপা ৱাবা ওই। ইমুংদা মত চান্নদে। শেল ফংবা, চৎপা মান্নগনি। য়েক্লবা হেনগৎলগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ খৎনৈ, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** ৱাখল শান্তি লৈরগনি। মরুপ মফম চাওখৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। অফবা পাউ তারগনি। য়েক্লবনা চংজরক্কনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ চাং অমদা লৈ, ৯ হেন্না ফগনি।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ লৈবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। অরাপ্পদগী অফবা পাউ তারগনি। অরুবা খরা পাংথোক্লগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবা ওই।

**কন্যাঃ** খৎনবা, শোক্কনবা ওই। অকনবা ৱা শীজিন্নদবা ফগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা, পোৎ লৈবদা, মীগী মতেং পাংবদা হৈ শিংগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** হন্নবা, অপনবা পীবা, কোক শাবা, মীনা য়েংশিনবা ওইরি। মরুপ মপাংশিংনা চয়েৎনবা মতম্নি। শান্তি লৈতে। শেল হেন্না চৎলগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** অয়েৎপা মরক্তা অফবা ফল ফংবা, হোৎনজমন কান্নবা, য়েক্লবা ঙম্বা, শান্তি লৈবা অমদি ইথক থোংবশিংনা চানবিবা ওই। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ খৎনৈ, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনজমন কান্নবা, শেলগী ফিভম ফবা, ইমুং মরুপ মফম ফগৎপা, থবক্তা অফবা ফল ফংবা ওই। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** শাওগৎনবা, খৎনবা, শোক্কনবা মরক্তা অফবা চাউখৎপা, পোৎ লৈবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। ৱাখলদি লাংগনি। নক্ষত্র ২১, ২২ ফত্তে, ২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** অফবনা হেল্লগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। অফবা মীগা তিন্নবা তাবনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ চাং অমদা লৈ, ২৫ ফগনি।

**মীনঃ** অফবা, চাউখৎপা, মীনা নুংশিবিবা, পোৎ মাল লৈবা, ৱাখল হকচাং নুংঙাইবা ওই। ইমুংদা খরা ইংলগনি। নক্ষত্র ২৫, ২৬, ২৭ অফবনি।

